**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 2 7-08-2025)**

**হঙ্গর (এল)ঃ** ৬০ শুবা হঙ্গর মারচেস ডে, চাক্লাম খোঙচৎ মনিপুরদা ঙসি পাঙথোক্লি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পিশুম চীংঙামচাদা লৈবা মেমোরিএলদা পাঙথোক্লি। লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইগনি।

নীংশিংবা য়াই, ইং কুমজা ১৯৬৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মনিপুরদা খুৎশেমগী চাক তাংবগা মরী লৈননা মহেরোইশিংনা চংশিল্লকখিবা খোঙজংদা মীওই মরি লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা খোঙজং চংশিল্লিবা মীয়ামবু নমথনবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা নবাকুমার, নিলামনি অমসুং প্রমোদিনি মফমদুমক্তা লৈখিদবনি। অদুগা থৌদোক অদুদা শোকখিবা লাইশ্রম চাউভলনা কাইনাথংদা লৈখিদবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী থমাপোকপী মখা লৈকাইদগী চহি নৌরিবী নুপীমচা অমা থা অসিগী ২২ দা লৈখিদবগী থৌদোক্তা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই মরি ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-নুপীমচা অদুগী মীশিগী মতাংদা সোসিএল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুংদা পুলিসনা সু মোটো কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনখি। নুপীমচা অদুগী নাতৈ চাদবা ভিদিও থাগৎলকপদগী মহাক লৈখিদবনি হায়বা থিজিনবা অদুদগী খঙবা ঙমলে। থৌদোক অসিদা মরুওইনা চেন্নবা চহি নৌরিবা নুপামচা অমা ফারে অমসুং ভিদিও অদু সোসিএল মেদিয়াদা চাইথোকপদা হকথেংননা চেন্নবা নুপীমচা অনি অমসুং নুপামচা অমসু ফাগৎলে।

ফাগৎলবা মীওইশিং জ্বিনাইল জষ্টিস এক্ট মখাদা চাইল্ড ওভজারভেসন

হোমদা থল্লি। হীরম অসিগী মতাংদা পুলিসনা থিগৎপগী থবক চথরি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ঙরাং জিরিবাম জিলাগী রাসিদপুরদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা নোংমৈ য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিংগী মনুংদা-পোইন্ট সভেন সিক্স টুগী এস.এল.আর. অমা, ইনসাচ রাইফল অমা, পিষ্টোল, অনি, রেদিও সেট তরুক, তোঙান তোঙানবা মখলগী নোংমৈ ৪১, জঙ্গল বুথ অনি য়াওরি।

ইস্ফাল ইষ্ট জিলাকী নাপেৎ পল্লিদগী প্রিপাক (প্রো) গীনি হায়বা মীওই অমা ঙরাং ফারে। মীওই অসি ইস্ফাল ইষ্টকী য়াইঙংপোকপী মখা লৈকাইদগীনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী এস.মুনুৱাম খুলদগী নুপী অমা দ্রগকা কোন্ননা ফারে। মঙোন্দগী লুপা লাখ ১০ রোমগী মমল ওইগদবা ডব্লিয়ু.ৱাই. টেব্লেট লিশিং ১,২০০ ফাগৎখি।

থৌবাল জিলাগী হাউরৈবী অৱাং লৈকাইদগী গাড়ি হুরানবনি হায়বা মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ফারে। মখোয় অনিদগী অলটো কার অমা ফংলে।

মরক অসিদা, মনিপুর পুলিসনা লম্বীদা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগায়দুনা গাড়ি থৌরকপশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা দ্রাইব চথরি। ঙরাংসু লম্বীদা ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগায়দুনা গাড়ি থৌরকপা মীওইশিং দিটেন তৌরবা মতুংদা চলান ৫২ কক্তুনা লুপা লিশিং ৭৪ খোমগৎখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** মেরা দেসম, মেরা আভিমানগী মখাদা মুগা তিন য়োকপদা চংবা টেকিকশিংগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহনবগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম উশকখঙদবী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদু সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্ড-রিজনেল সিরিকলচর রিছার্স

ষ্টেসন-ইম্ফাল অমসুং রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ সিরিকলচরগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা সিরিকলচরগী দাইরেক্তর-রোবার্টসন অশেম, সেন্ত্রেল সিল্ক বোর্ড রিছার্স ষ্টেসনগী সাইন্টিষ্ট-ডা: সিনাম সুভারানি য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, জপান অমসুং চাইনা খোঙচৎকীদমক হয়েং ভারত্তা থাদোক্লগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা জপানগী প্রধান মন্ত্রি-সিগেরু ইসিবাগা ১৫ শুবা ইন্দিয়া-জপান চহিগী মীফমদা পুন্না শরুক য়ামীন্নগনি।

মসিগী মতুংদা শ্রী মোদি, থা অসিগী ৩১ দা চাইনাদা চৎকনি। খোঙচৎ অসিদা তিয়ানজিনদা পাঙথোক্কদবা ২৫ শুবা কাউন্সিল ওফ হেদস ওফ ষ্টেটকী ২৫ শুবা মীফমদা শ্রী মোদি শরুক য়াগনি।

**নোংঃ** মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-মনিপুর য়াওনা অৰাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

বিভাগ অসিনা হায়-নাগালেন্দ, মনিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা, নোংচুপ বেঙ্গোল, সিক্কিম, তামিল নাদু, পুদুচেরি, তেলঙ্গাননচিংবা মফমশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অকনবা নোং চুগনি।

ছাতিসগর, মহারাস্ত্র অমসুং উরিষ্যাদা ঙসি ময়াই ওইরপ্পা চাংদগী হেন্না কনবা নোং চুগনি। অসাম, মেঘালায়, উত্তরাখন্দ, অন্ধ্র প্রদেস, রাজস্থান, গুজরাট, হরিয়ানা, পঞ্জাব অমসুং দিল্লিনচিংবা মফমশিংদা ঙসি অকনবা নোং চুগনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৫ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ৩১ গী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং

ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**রাস্ত্রপতি ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি গনেস চতুরথিগী থৌরম পাঙথোকরি।

রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাস্ত্রপতিনা হায়-ভগবান গনেসপু নীংজবনা হকচাং ফনা লৈবা অমসুং ৱাখল লৌশিং হেনগৎহনবা ঙম্মী হায়না থাজনরি। মরম অদুনা গনেস চতুরথিনা লাকপদা ভগবান গনেশপু নীংথিনা খুরুমজদুনা য়াহফ থৌজাল নীরসি।

লোক সভাগী অক্ষ্যক্ষ-ওম. বিরলানসু গনেস চতুরথিনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী বিরলানা হায়-মায় পাকপগী থৌজাল পীবিরিবা ভগবান গনেসনা মীপুম খুদিংমক্তা চাউখৎপা, নুংঙাই য়াইফবা পীনবীবা ওইরসনু।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা নুমিৎ নিনিগী ভাইব্রেন্ট ভিলেজেস প্রোগ্রামগী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়-ঙমখৈ লমদা খুন্দারিবশিংগী মীশিংদা অহোংবশিং থোকপনা লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা অমসুং মফম অদুগী ঙমখৈ লমদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। ভাইব্রেন্ট ভিলেজেস প্রোগ্রাম অসি মোদি সরকারনা ঙমখৈ লমগী খুঙ্গংশিংদগী য়ুম হোংবগী চাং হন্থহন্নবা অখন্ননা পায়খৎখিবা থৌরাং অমনি। থৌরাং অসিগী মখাদা ঙমখৈ লমদা লৈরিবা

খুঙ্গংশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎতুনা থবক পীবা হেনগৎহন্নবা, নাৎ-চৎনবী য়োকখৎনবা অমসুং লম কোইফমশিং হেন্না শেমগৎনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পি.য়ু.সি.এলনা মনিপুরগী ইরাংগী মতাংদা পুথোকখিবা রিপোর্ট কোকোমিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা, য়ু.এন.সিগা ইন্দিয়া গভরমেন্টকা দিল্লিদা ৱারী শান্নখিবা ৱারী লৈখায় তাখিদবগী পাডনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক্তা-পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট মনিপুর থুগায়বা পান্থশিংগী প্রোপেগন্দা তৌরগা পুথোকপনি-অথৌবা হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা পাব্লিক রিভিয়ু সেসন পাঙথোক্লগা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎনবা হোৎনরি হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পাউ অসি-নহারোলগী থৌদাংদা-পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্টনা লমদম অসিদা নৌনা কন্ট্রোবেসি কয়া থোকহল্লে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

য়ু.এন.সিগা ইন্দিয়া গভরমেন্টকা দিল্লিদা ৱারী শান্নবা লৈখায় তাখিদ্রে। ইকোনোমিক ব্লোকেড চত্থরকপা য়ারি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-এফ.এম.আর. অমসুং বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা সেন্টরগা নাগা লুপশিংগা য়ান্নবা পুরকপা ঙমখিদ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-প্রাইম মিনিস্তর নরেন্দ্র মোদি লাক্কদ্রা, লাক্লোইদ্রা হায়বা কেপসন অসিগী মখাদা গভনরনা প্রিসাইদ তৌদুনা রাজ ভবনদা সেক্যুরিতিগী ফিভম রিভিয়ু তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-পি.ঐচ.ই.দিপার্টমেন্টনা ওন লাইন বিল পোরটেল

হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-পি.য়ু.সি.এলগী ফাইনান্স ওদিট তৌবিয়ু হায়না আর.এস.এসনা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অমা বোক্স আইটেম তৌদুনা ফোংলি।

মোরনি বেলদা-সুইসাইদ কেস মশিং হেনগৎলকপদা মনিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা নুংনাংবা ফোংদোকখ্রে হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর মেলদা-বোর্ডরদা দেমোগ্রাফিগী অহোংবা লাকপনা সেক্যুরিতিদা চৈথেং পীরি হায়না গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-এফ.এম.আর. অমসুং বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা য়ু.এন.সি. অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকা শান্নখিবা ৱারী লৈখায় তাবা ঙমখিদ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-হান্নগী চীফ মিনিস্তর-নোংথোম্বম বিরেননা পি.য়ু.সি.এলগী রিপোর্ট মীচং মীখায় নাইবা অমসুং মনিপুর থুগায়নবা হোৎনবনি হায়না ফোংদোকখিবা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।